**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-11-2024)**

**সেক্যুরিতি(এল)** ঃ মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কাংলুপ অনিগী খুৎলায় পায়বশিংনা হিংশাগী থবক চত্থদুনা মীশি মীনা থোকহল্লিবা অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎনবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা খঙহনখ্রে।

কনাগুম্বনা হিংশাগী থবক চত্থদুনা অকায়বা অতোয় থোকহন্নবা হোৎনরক্লবদি মীওই অদুগী মায়োক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়রি। মসিগা লোয়ননা ইরাং অসিগা মরী লৈনবা মরুওইবা কেসশিং নীংথিনা থিজিন্নবগীদমক নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) দা শিন্নরে।

মনিপুরদা মহৌশাগুম শান্তি হনজিল্লকবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা মীয়মানা তোকঙা থাজবীদনবা অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা মতেং পাংবীনবা গৃহ মন্ত্রালয়না আপিল তৌরি।

**কেবিনেট (এল)** ঃ মনিপুরগী জিরিবাম জিলাদা নুপী অমসুং অঙাংশিং হাৎখিবগী থৌওংবু রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতগী থোকপা চেরোল অমনা হায়-কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না মমাং থাগী ১৫ দা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, সি.এস.ওশিং অমদি অতৈ ষ্টেক হোল্ডরশিংগা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মনিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা ত্রাইবেল কাংলুপ অনি মার অমসুং থাদৌ ত্রাইবশিংনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভমদা হনজিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোরক্লিবা অসি রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা নীংথিনা খঙলে।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা মীতৈ অমদি রোংমৈ নাগা ত্রাইব কাংলুপশিংনা মনিপুরদা ইরাং অসি লোয়শিনবা পাম্বগী অপাম্বা ফোংদোরক্লে হায়বসু খঙবা ঙমলে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মমাং থাগী ১৯ দা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়ুম কয়ামরুম মৈ থাখি। মমাং থাগী ২৬ তসু জিলা অসিমক্কী মোলকাংথোল ভিলেজতা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা য়ুম অমসু মৈ থাখি।

অমরোমদা, থা অসিগী অহুমদনা জিলা অসিগী চন্দ্রপুর রাণি ভেংদগী ভাইপৈ নুপী অমা জিরিবাম পুলিসনা কনদুনা ইমুং মনুংদা শিন্নখি। থা অসিগী তরেৎতা মীতৈ খুৎলায় পায়বশিংনা জাইরোনপোকপী মার ভিলেজতা নুপী অমা হাৎখি, য়ুম কয়ামরুম মৈ থাদোকখি। থা অসিগী ৯ দা বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাথা লম্বীদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নুপী অমা হাৎখি। নুমিৎতুমক্তদা জিরিবামগী মোংবুং মীতৈ খুলদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা বোমনচিংবা কয়া কাপশিল্লকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

থা অসিগী ১১ দা জিলা অসিমক্কী বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা রিলিফ কেম্প ওইবা য়ুম অমদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা লান্দারকপা ঙাকথোকবা হোৎনবদা সি.আর.পি.এফনা কুকি মিলিটেন্ট ১১ হাৎখি। নুমিৎতুমক্তদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মীতৈ মীচম অনিসু হাৎখি। সি.আর.পি.এফনা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা লৌখৎলিবা খোঙথাং অদুগীদমক সি.আর.পি.এফপু রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মসিগা লোয়ননা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অদনা মরাল লৈজদবা মীচম মার অমদি মীতৈ হাৎখিবা থৌওং অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসিদা চেন্নবা লুপ অমদি মসিগা মরী লৈনবা খুদিংমক আইননা য়াদবা লুপনি হায়না লাউথোকবা সেন্টরদা তকশিনবা হায়নসু য়ান্নখি।

**ঈরাং (এল)** ঃ জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা বরাক সার্কলদগী ফংখিবা মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং অদু থা অসিগী ১১ দা নমদুনা ফাদুনা পুখিবা মীওইশিং ওইরল্লে। খুৎলায় পায়বশিং অদুনা পুন্না মীওই তরুক ফাদুনা পুখিবনি। ঙরাং মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক সিলচরদা পুখিবনি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-অশিবা হকচাং অহুম অদু ফাদুনা পুখিবা মীওই তরুক্কী মনুংদা মখোয় অহুমগী হকচাংনি হায়বা খঙবা ঙমলে। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা থা নিপানগী অঙাং নুপামচা অমা অমসুং নুপীমচা অমা য়াওরি।

জিরিবামদা মীওই অহুম তমথিনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা ঙসি মীয়ামনা ঈরাং হৌরকখ্রে। লোয়ননা মীয়ামগী লুচিংবা খরগী য়ুম-কৈশিং খোইশাউনরবা মীয়ামা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ইম্ফালগী মফম কয়াদা মীয়ামনা লম্বী সড়ক্তা থোরক্তুনা লম্বীদা ফমজিনখিব অমদি অচৎ অওকশিং থিংখি। লল্লোন ইতিক তৌফমশিং, মহৈ তম্মফমশঙশিং থোং লোন্নখি।

থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুরনচিংবা মফমশিংদসু দুকানশিং থোং হাংনখিদে, লম্বীদা টয়ারনচিংবা মৈ থাদুনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চংশিনখি।

**কন্দেম (এল)** ঃ জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক ফাজিনখ্রবা মতুংদা শিনা ফংলে হায়রিবা অদুবু মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্সনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। নুপী অঙাংশিংবু অকি-তুজং য়াওদনা হিংহনবা হায়বসি মখোয়গী হকনি হায়রি।

ন্যু দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈ (এনদোজ) নসু থৌওং অদুবু

থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। এনদোজগী প্রসিদেন্ট অমসুং পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট ওইনাম রোমেননা লুচিংদুনা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা মসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মৈরা পাইবী অমদি তোঙান তোঙানবা লুপ অমদি মীয়ামনা কেন্দল কৎতুনা অৱাবা ফোংদোকরি।

**অমজ্ (এল)** ঃ ইম্ফালগী সেগা রোড থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈবা, মনিপুরদা নুংতিগী ফোংবা পাউচে-সঙাই এক্সপ্রেসকী ওফিসতা ঙসি মীয়ামনা অকায় অতোয় থোকহল্লম্বগী থৌওং অদুবু ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)** ঃ মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী মফম পুমমক্তা ঙসি নুংথিল পুং মরি মখায়দগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্তিবা ফাওবা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জিলাশিং অসিগী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম থোকখ্রে। কার্ফিয়ু লৈরিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তা য়ুম য়ুমদগী মপান থোকপা য়ারোই। অদুমওইনমক, তঙাইফদবা থবকশিং-হকশেল, ইলেক্ট্রিসিতি-সি.এ.এফ.এন্দ.পি.দি-পি.ঐচ.ই.দি-পেট্রোল পম্পশিং, ম্যুনিসিপালিতি, প্রেস অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া, কোর্টকী থবক থৌরমশিং, এরোপ্লেনগী পেসেঞ্জরশিং চৎথোক চৎশিন তৌবশিংগী ওইনদি কার্ফিয়ু অসিনা কোনশিল্লোই।

**ইন্টরনেট (এল)** ঃ মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তংদ্ লৈতাদবা ফিভম অসি য়েংলগা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোরকপা য়াবা অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী তম্পাক্কী

জিলাশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমদি চিংগী জিলাশিং-কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুরগী মফম পুমমক্তা খুদক্তগী ইন্টরনেট সার্ভিস নুমিৎ নিনিগী ওইনা থিংজিনখ্রে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: বিনিট যোসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-খুদক্কী ওইনা অথিংবা থম্লিবা সার্ভিসশিংদি, মোবাইল দাটা সার্ভিস, ভি-সেট, ব্রোদবেন্দ অমদি ভি.পি.এন. সার্ভিসশিং য়াওরি।

**ডে (এল)** ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি নেসনেল প্রেস ডে থৌরম পাঙথোক্লি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)র না শিনদুনা থৌরম অসি দাইরেক্তোরেট অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমনা-'চেঞ্জিং নেচর ওফ দা প্রেস' হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং পাব্লিক্স রিলেসন্সকী কম্মিস্নার-এম. জোয়না হায়-পালন থৌরম অসি চহি খুদিংগী নবেম্বর ১৬ তা পাঙথোকই। মসি গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমদা প্রেসকী থৌদাং অমসুং মসিগী মরুওইবদু য়েংলগা পাঙথোকপনি।

পালন থৌরম অসি ইং ১৯৬৬ তা প্রেস কাউন্সি ওফ ইন্দিয়া শেমখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মীয়ামদা চোকথবা লৈতনা ই-পাউ ফংহনবা, পাউমীশিংবু পুকিং থৌগৎপা অমদি প্রেস কাউন্সিলনা মীয়ামদা পীরিবা কান্নবা কয়া অদুবু শকখঙদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি য়েংলগা পাউমীশিংনা পাউ ফোংবদা চেকশিন্না অমসুং হৈ-শিংনা ফোংবগী তঙাইফদবা লৈ। তশেংনা চুম্লে খঙলবা পাউ খক্তমক ফোংবীনবসু মহাকা পাউমীশিংদা আপিল তৌরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-টি.ঐচ. চরনজিৎনা হায়-লমদম অসিদা থবক তৌরিবা পাউমীশিংদা মখোয়না তৌখিবা থবকশিংবু শকখঙদুনা ইং ১৯৯৪ দগী হৌদুনা চহি খুদিংগী ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্ড পীদুনা পাউমীশিংবু ইকায় খুমদুনা লাক্লি। পাউমীশিংনা মনুং হনজিনবা মফম কয়াদা চৎতুনা মীয়ামদা অচুম্বা, অশেংবা পাউ ফংহনবা অদুবু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা 'চেঞ্জিং নেচর ওফ দ প্রেস' হায়বা হীরমদা ৱার্কশোপ অমসু পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অদুদা ইম্ফাল রিভিয়ু ওফ আর্টস এন্দ পোলিটিক্সগী এদিটর-প্রদিপ ফানজোবম, অসাম ত্রিবুনগী কোরেস্পোন্দেন্ট-সোভাপতি সামোম অমসুং সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট-সলাম রাজেসনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইখি।

**এৱার্ড (এল)** ঃ মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংগী পাউমী ৮ দা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্ডস-২০২৪ পীদুনা ইকায় খুমখ্রে। চহি অসিগী ওইনা সনা লৈবাক পাউচেগী এদিটর-নিংঙোম্বম হেমন্তকুমারদা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন এন্দ কম্ম্যুনেল হারমোনিদা ভেষ্ট এদিটর এৱার্ড পীখি। চীংগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা মথৌ তৌরিবা পাউমী-মনিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট-পিটর অদানিদা পীখি।

মসিগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা খনগৎলবা সনা লৈবাক পাউচেগী পাউমী মঙা, পোকফম পাউচেগী অমা অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী পাউমী অমদা মনাসু লান্থোকখি।

মনাশিং অসিদা শেল, সাইটেসন অমদি সোল অমমম য়াওরি।

**ৱাকৎ (এল)**ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লমলাই পুলিস ষ্টেসন য়াওনা দির্ষ্টব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্লুরবা পুলিস ষ্টেসন তরুকা কোনবা মফমশিংদা অমুক হন্না

আমর্দ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱরস এক্ট-১৯৫৮ (অফস্পা) থমজিল্লকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফমশিংদা লৈবা ক্লব, মৈরা লুপশিং অমদি মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু পুলিস ষ্টেসন অসিনা কোনবা মফমশিং, মরুওইনা নাপেৎ পল্লি, নোঙাদা, লমলাই, য়ৌরবুং, শওম্বুং অমসুং তেজপুরনচিংবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম চথখি।

**সেমিনার (এল)** ঃ রুল ওফ লো হায়বা হীরমদা সেমিনার অমা উখ্রুল জিলাগী দি.আর.দি.এ. হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সেমিনার অসি হাউচুক রিননা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা উকিল, তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিং লোয়ননা কামজোং অমসুং উখ্রুল জিলাগী সোসিএল এক্তিভিষ্ট কয়ানা শরুক য়াখি। ঙসিগী সেমিনার অদুদা রুল ওফ লো করমা ফংগদগে হায়বসিগী অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**পিএমঃ** নাইজেরিয়া, ব্রাজিল অমসুং গয়ানাগী নুমিৎ তরুকিং খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নিউ দিল্লি থাদোকখ্রে।

খোঙচৎ অসিনা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-নোংচুপ থংবা আফ্রিকান রিজনদা ভারতকী খ্বাইদগী নকবা মরী লৈরিবা নাইজেরিয়াদা চৎপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎপদা অচৌবা খুদোংচাবা পীরগনি। শ্রী মোদিনা নাইজেরিয়াদা লৈবা ভারত মচাশিং অমসুং নাইজেরিয়াগী প্রজাশিংবু উন্নীংবগী অপাম্বসু ফোংদোক্লি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা ১৯ শুবা জি-টৌইন্তি সম্মিটতা শরুক য়াগনি লোয়ননা ‘ৱান আর্থ, ৱান ফেমিলি, ৱান-ফ্যুচর’ হায়বসিগী মীৎয়েং মখাদা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি হায়রি।

থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা প্রধান মন্ত্রি গয়ানাদা চৎকনি। ইং কুমজা ১৯৬৮ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা শ্রী মোদিনা অহানবা ওইরগনি।

**মীখল ঃ** ঝারখন্দ বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক অমসুং মহরাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগীদমক ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। এন.দি.এ অমসুং ইন্দিয়া ব্লোক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক্তা অকনবা মওংদা ভোট খোমরি।

মীখল থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা মেরা বুথ সব সে মজবুথ থৌরম ঙসি হৌদোক্তুনা মীয়ামগা ৱারী শান্নখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা রেল্লি অনিদা অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধিনা মীখলগী রেল্লি অহুমদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, এন.সি.পি (এস.পি) গী মকোক শরদ পৱারনা ঙসি সতারা অমসুং রাইগাদতা দল অসিগী ভোট খোমখি। শিব সেনা (য়ু.বি.টি)গী মকোক উধব থাক্রেনা ঙসি মুম্বাই অমসুং থানেদা ভোট খোমখি।

**ওম বিরলা ঃ** লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়রি-কমপ্ত্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (সি.এ.জি) না থম্মোয় শেংনা অমদি মনুং মপান ফাওনা থবক তৌরি অমসুং মখোয়দা মীয়ামনা থল্লিবা থাজবা অসি মালেম পুম্বদা ময়েক শেংনা খঙনরক্লি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মরিশুবা ওদিট দিবস থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরলানা হায়-মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মীওই কয়ানা লৈবাক অসিগী ওদিট তৌবগী চৎনরিবা মওং অসি মতৌ তমরক্লি।

পনবা য়াই, অফবা, অচুম্বা অমসুং মরা চেৎপা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা সি.এ.জিনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা চহি খুদিংগী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ওদিট দিবসকী নুমিৎ পাঙথোকরি।

**ঝাতিসগর ঃ** ঝাতিসগরদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমগা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই মঙা শিরে।

ঝাতিসগরগী নারায়নপুর জিলাগী মনং চন্না লৈবা অবুজমাদকী মফম অমদা অককবা পাউ অমা ফংবদগী বি.এস.এফ, এস.টি.এফ অমসুং দি.আর.জিগী অপুনবা কাংবু অমনা ওপরেসন চথখি।

ওপরেসন অদুদা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মাওইষ্ট মঙা অদু শিখিবনি। অশিবা হকচাং অদু বি.এস.এফনা লৌখৎলে। মখোয়না পায়রম্বা খুৎশিং ফাগৎলে অমদি হৌজিক মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, নাওরেম ভিক্তরদগী--**

**সন্তোস ঃ** সন্তোস ত্রোফিগী গ্রুপ (দি) গী মেটচ অমদা হয়েং মনিপুরগা মিজোরামগা শান্নরগনি। মেট অসি ত্রিপুরাগী উমাকান্তা মিণি ষ্টেদিয়মদা পুং ৯ দগী হোগনি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ত্রিপুরাগা সিক্কিমগা ষ্টেদিয়ম অসিমক্তা শান্নগনি

**ক্রিকেটঃ** ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকাগী মেটচ মরি শান্নগদবা টি-টোইন্তি ইন টরনেসনেল ক্রিকেট সেরিজ ভারতনা ৩-১ দা থোইরে।

ঙরাং জোহনেবার্গকী ৱানদরস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা ভারতনা সাউথ আফ্রিকাবু রন-১৩৫ থোইখ্রে।

**টেনিসঃ** ইতালিগী টুরিনদা পাঙথোক্লিবা এ.টি.পি. ফাইনেল ২০২৪ গী গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জ্‌রা-রোহোন ভোপনা অমসুং মেথিয়ু এপদেননা জর্মনিগী জ্‌রাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৭-৫, ৬-৭, ১০-৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

**টেনিসঃ** মালেসিয়াগী কোলারাম্পুরদা চঞ্চরিবা এস. মালেসিয়া কপতা ভারতকী টেনিস শান্নরোই-আভে সিংহ, সেমি ফাইনেল চংখ্রে। সেমি ফাইনেল মেটচতা ঙসি মালেসিয়াগী ইয়ান য়ো নংগা থেংনরগনি।